# মণিপুর নুপীশিংগী খোঞ্জেলদা মালেম লৈমবু ঙাক শেন্ননবা খোন্থাংসু য়াওরি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মীগা লাইগা শম্নরিঙৈদগীনি, মালেম লৈমা ইমাবু কন্নবগীদমক নুপীশিংনা শীংথাবা য়াবা থৌদাং ময়াম অমা লৌদুনা লাক্লিবসি। অখঙ অহৈশিংনা শেন্বীরম্বা চৎন-পথাপ কয়াদা নুপী-নুপা খেন্নবগী হীরম কয়া য়াওরম্মী। মদুমক ওইদুনসু নুপী খরদি লাইরেন্বীগী থাক্তা পুখত্তুনা ইকায়খুম্নরম্বগী খুদম চাংদম লৈ। চৎনরোলগী পনখৈ ৱাংমা লাম্হোক্তুনা ফংফম থোক্লবা হকশিং ফংননবগীদমক নুপীশিংনা খোঞ্জেল থোরকখিবা তাঙ্কক কয়াসু লৈখ্রবনি। মণিপুরগী ওইনসু নোংদা লাইরেন পাখংবগী তালোই লৈমরেন্বী লাইস্নাগী খোঞ্জেল থোরকখি, লৈঙাক থৌরমদা মাবুসু শরুক য়াহনবীয়ু হায়না। লৈঙাকলোন্দা নুপী ওইবীশিংগী হক ফংনবা ঈহৌনি হায়বা য়াই। মতৌ অসুম্না চৎনবীনা শম্বল ওইদুনা মশাগী ৱাখল লৌশিং মতিং মথৌনা মনীং তম্না ফুদোকপগী খুদোংচাবা ফংদনা চহী চা কয়া হৌখ্রবনি। মতমগী ঈচেলনা লেপ্তুনা অসুম চেন্থরকপগা লোয়ননা লৌশিং চঙখোনবী লিংজেল লৈবী নুপী মথং-মথং থোরকখি। মখোয়গী থৌনাদুননি, মীওইবগী পুৱারীদা মার্চ ৮বু মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ হায়না ময়েক লানা মুৎনাইদনা হক্তুনা লৈরিবসি।

ঙসি ঙসিমক মালেম লৈমা ইমাদা অকিবা চৈবী চৈথেং পীরক্লি। অকোয়বগী ফীভম্না অসুম অসুম কায়থরক্তুনা ঈশিং নুংশিৎ অঈং-অশাগী চাংনা মচিং মশোন নাইরকই। খংঈং অমুক খংশা অমুক, ঈশিং চাওনীংলগা পুমথুম হেক থুমখৈ থুন্বা, ঈকং থোক্লীংলগা পুমকং কংবা থোকহৈদবা কয়া থোরকপা য়াবগী অকিবনা লাঙ্গৌই চনশিল্লক্লবনি। ইশম হেক শম্না মহৌশা লাইরেন্বীসে খম থেংনা পেঞ্জদ্রবনি। তৌগেতা ঙম্বা মীওইবগী থৌওং থৌচৎনা তাইবঙ মপুগী খুদোলশিংবু মাঙহন তাকহল্লকপগী চৈরাক ফংবা শোয়দ্রবনি হায়নীংই। তাইবঙ থৱায় পানবা পান্দবা, চীং-পাৎ, তুরেল, উচেক-ৱায়া, উপাল-ৱাপাল পূম্নমক তাইবঙ মীওইবনা শীংনবসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি। মদুগী মতিক চাবা চৈরাকসু ফংবা হৌরক্লে। মসি মখোয়না ঐখোয়গী ইথক্তা লমন খুন্বদি নত্তে। ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইখোঙমক্তা শীংজঙনা য়ানশিঞ্জবনি। পূম্নমক অসি থোক্তনবা মালেমগী মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরবসু ৱাখল তাদবা কয়াগী থৌওংনা ইতৎ তত্তনা খোঙজং অসিদা অয়েৎপা ওইদুনা লৈরকই। মালেম লৈমবু ঙাক শেন্নবগী খোঙহৌদা নুপীশিংগী থৌদাং ৱাৎপা নত্তে। মণিপুরগী ওইনদি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মালেম লৈমা অমদি মহৌশাগী খল কায়হনবগী মায়োক্তা নুপী কয়াগী খোঞ্জেল থোরকই। খোঞ্জেলশিংদুগী খোন্থাং মিথ, চীনবুং ৱারী, অরিবা ঈশৈ, লাইশোন-তীনশোন, ৱারী লাইরিক কয়ানা লীদুনা থন্বীরম্মী। মালেম লৈমগী মফমদা শীংনরকপা খুদিংমকপু লমদমসিগী নুপীশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙমদে, পান্বে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনরম্মী হায়বসি উৎলি।

মালেমগী অতোপ্পা মফমদা লৈবগুম্না মণিপুরগীসু লৈশেন্নোন মিথ লৈজে। গুরুগী য়াথং তুংইন্না অশিবনা মালেম লৈশেন্লিঙৈদা নুংশিৎকী শক্লোন লৌরিবা হারাবনা হন্না হন্না চাইখাইরম্মী। কাইনথংদা গুরুনা পুথোকখিবা শুমহৎয়াই পুরবী নোংথাংলৈমগী পাউশা পাউথেন ৱাহৈশিংনা হারাবগী মতিক ময়াই চমহনখিবা মতাংসি মিথ ওইজরবসু মনুং হঞ্জিন্না নৈনরবদি নুংগী ওইবা ফজরবা ৱাহন্থোক লৈ। মালেম লৈমদা পীরকপা চৈথেং কয়া ঙাকথোকপদা নুপীনা করি করম্বা থৌদাং লৌবা ঙম্বগে হায়বদু তাকপনি। মৈতৈগী লাইনীং লাইচত্তা ইমোইনু ইমাগী মফম চাউনা কন্দুনা লনগী লাইরেন্বী ওইনা ইমা লাইরেন্বী মাবু লাৎনৈ। অদুবু মাবু লাৎচবসে লনখক্তগীনি হায়বা য়ারোই। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না ইন্দবা য়াদবা চৎন-কাঙলোন কয়াগী তুংনফমসু ওইরিবনি। অফ-ফত্ত তৌগদবা তৌরোইদবা কয়াবু খঙনবা হোৎনবদা ইমোইনু ইমাবু খঙদবা য়ারক্তে। অসিগুম্লবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মনুংদা য়ূম-ইঙ্খোল, ইমুং-মাঙ্গোল, শুমাং-থেল্লোং, য়েন্নখা-লুকখানচিংবা য়ূম অমদি মসিগী অকোয়ববু লূ-নান্না থমগদবনি হায়বগী অচেৎপা কাঙলোন অমা য়াওরি। কাঙলোন লোনচৎ অসিবু ঙাক্লা চৎলিবা য়ূম অদুদা ইমানা লেঙদনা লৈবীগনি হায়না থাজনৈ। মসি লূ-নানবা মালেম অমা ওইহনবগী পান্দমগা ঈরোয়নবা ইমোইনুগী শক্লোন লৌরিবী লমদমসিগী নুপীশিংগী খোঞ্জেল অমদি খোন্থাং ওইফম থোক্তব্রনে? অদুঙৈ খৃষ্ট কুমগী অঙনবা চহীচাদা পাল্লম্বা মৈদিংঙু তাওথিংমাং অমদি ময়াম্বা ঙাংভোই য়োইমোংবনা ইরিল তুরেল অমদি ঈরোঙ মরূ তেংবগী থবক পাঙথোকখি হায়বসি *তুতেংলোন* হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা ময়েক শেংনা ইরি। হায়রিবা তুরেল তেংবগী থবক্তু পাঙথোক্লবা ৱাফম হৌদোকখিবদু নুপীনি। মৈদিংঙু মচিন মনাওগী অপোকপী মৈতৈ লৈমা নোংবাল্লোন অহোঙবীনি। তু-খোং লূ-নান্না থমদুনা লায়না-তীলনা অমদি খুদোংথীবা কয়াদগী কন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবদু খঙখিবী অমদি মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা নুপীশিংনা লৌরম্বা থৌদাংগী ময়েক লারবা খুদমনি।

চাওখৎপগী মনিলদা চীং, পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং কয়াগী শকফম ওল্লকপা অমদি অঈং-অশাগী অহোংবা খোঙচৎনা মিপাইহল্লবা মীওইবনা লাউরক্লি ***"পুমশং শংবা মালেম অমা ওইহল্লসি"***। ঐখোয়দি চৈনা ফংলবা মতমসিদা উপাল-ৱাপালশিংগী মতিক ময়াই খরা খরা খঙনরকপগুল্লি। লমদমসিগী ইপা ইপুশিংদি আ মনুং য়ৌশিন্না খঙখি, মীওইবনা হিংজরিবসে মখোয়গী মপান্ননি হায়বসি। মখোয়সু থৱায় পাল্লি হায়বসিসু খঙখি। ***হিজিং হিরাউ*** কৌবা শৈরেং লাইরিক্লা উপাল ৱাপালশিংগী মশাইকোন ওইরিবা উমংবু মমাগী শক্তম ওইনা য়েক্লি। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মতমদনি। তান্নহি শাননবা কৌবা ইঙেল চীংদগী উ য়ানখি। উ য়ানগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা কোনয়াই অমদি য়েলহিং থারগা মাইবনা থৌনিজদুনা উগী মমল থারম্মী। মথং নোংঙানবদা শেৎন খাইনরগদবা উপাল অদুগীমক অহিং অদুদা উমং লাইরেন্বীনা তেংথাখিবগী মতাং অমা - ***পারি ইবুংঙো নঙবু/ইমানা অৱাং খাবা/উল্লেন হীবু চঙহন্দা/মালং নুংশিৎ য়ৈহন্দা/খান্বী মৈশা লাংহন্দনা/তল্লা চাউথোইবা নঙবু/নাউয়োকপদি শীংঙেন অরেম্বা/লৈরাং অতিংঙাবু, ওইরেদা/ইবুংঙো নঙবু ইমানা/তল্লা নতৌ করম্না/য়েংশিবনো...***। কয়াদা নুংশিখ্রবা মমা ওইবীগী তেংথাখোলনো! নৌজরিবী ভেলেন্টিনা এলাংবমসু নোংমা থম্মোয় শোক্লা তেংথাখি, নুংশি হৈতনা য়ান্থৎপীরম্লবা উপালগীদমকনি। লিসিপ্রিয়া কাঙুজম্না অঈং-অশাগী খল কায়হন্দনবা মালেম থুংনা পাউজেল্লি। অসুম্না নুপীশিংগী খোঞ্জেল লেপ্পা নাইদে, মীরোল মথং-মথং লান্না খোন্থাং য়ৈরক্লি। মালেম লৈমা ইমাবু কন্নবগীদমকনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## টোকিও ২০২০ ওলিম্পিক ফাওবা য়ৈথোকখি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর অসি মতম অমদা অৱাৎ-অপা লৈতবা সনা লৈবাক হায়নসু খঙনবা পোইরে লৈবাক অমা ওইরমই হায়নরমই অমসুং হৌজিকসু মদুম হায়না শক্ল-শোন্নবা য়াওনরি। সনা লৈবাক ওইজরিঙৈ মতমদদি নহা-অহল, নুপী-অঙাং, লাইরিক হৈবা-হৈতবা খাক্তনা ফত্তে, তৌহৈদে খঙহনবা পাউতাক নৎত্রগা পাউরৌ অমা হেক পীবদা অমগা অমগা থুনা য়াঙনা ৱাখল তামিন্নদুনা পাউতাক/পাউরৌ অদু লৈবাক্কী, খুন্নাইগী অমসুং মশাগী খন্দুনা অনীংবা অমগা লোয়ননা ইন্নবা হোৎননৈ। হৌজিক্কী মতম অসিদনা হীরম কয়াদা অৱাৎ-অপানা পীক থন্না লৈরগসু, ষ্টেট অসিগী লাইরিক হৈবা মী মশীংদি ফনবু য়াল্লম্লগনি। অদুবু লৈবাক খুন্নাইশিংগী ফনবগীদমক মরম চাগদ্রা চারোইদ্রা হায়বনচিংবা ইখন খন্থনদনা মানা-মানা নীংলকপা অপান্বদুনা অচুম্বা ৱাখল নৎত্রগা হক্লি খনবগী মওংদা হায়ন-তানবা য়াদবা, উশিৎ-থওইদবা, থৌশা-ৱাশাদবা অমসুং লৈবাক মচা তাদবা ওইরকই। অসুম্না হৈনখ্রবা শাজৎ-লিচৎশিংনা পুন্দুনা চৎখ্রবা মীওই কাঙবুসিনি ৱাখল তাহন্নবা করিগুম্বা মখলগী এব্ব্যের্নেস পীনবা হোৎনবদা মতম পাঙ্গল য়াম্না মাঙহন্দুনা ৱায়োং য়াম্না চাদ্রিবসি। অদুনবু নুমিৎ খুদিংগী ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংগী থৌরম পরেংদা অমা ওইরিবা খন্ন-নৈনবগী পুংজ াদা নৎত্রগা পাউজেল চেশিংদা লাইরিক লাইশু হৈরবা অখঙ অহৈশিংনা লৈবাক খুন্নাইগী খরদংদা ওইরবসু ফনবা কান্নবা ফোঙদোক্লরিবা লৌখৎপা য়াবা ৱা মচংশিং অদু থৱায় য়াওনা লৌশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা হেন্না অহোইনদুম নাথৈদুনা চৎনবা হোৎনৈ। মসিনি ঐখোয়না লাইবক থীবনি হায়দুনা হেক হেক হায়নরিবসি।

কোভিদ-১৯না মালেম পূম্বগী লৈবাক খুন্নাইশিংদা কয়াম ৱাহল্লি হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা তিন অমুক অমুক্তং য়োথনদুনা নীংশিংনবা চুমগনি খল্লি অমসুং লোয়ন-লোয়ননা চেকশিন থৌরাংসু তঙাইফদ্রিবনা কোমথোকপা য়াদ্রি। কোভিদ-১৯ অসি স্মোল পোক্সগুম্না মালেমদগী মুথৎপা/ইরেদিকেসন ঙম্বা নৎত্রি। হেন্নদুম অনৌবা শাথীবা মখল মখলগী স্ট্রেনশিং থোরকপসু য়ারি। থোরকপগী পাউসু তানরি। মীওইবা অমগী হকচাংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কোভিদ ভাইরসকী ষ্ট্রেন খরা পূন্না চঙখিবা থোকখ্রগনা করি কমদৌবা হায়বদু মেদিকেল রিছার্সকী ৱানি। মদুসু অরায়বা ওইরোইদৌরিবনি। হৌজিকসু মালেমগী ওইনা কোভিদ ভাইরস অমসুং কোভিদ ভেক্সিনগী লমদা থোইনা হেন্না মপূং ফানবা রিছার্স চথুবা লেপত্রিবনি। হৌজিক হৌজিক পুথোক্লরিবা কোভিদ ভেক্সিনশিং অসিসু হংনীংঙাই ওইবা ৱাহং কয়া লৈতবা নত্তে। মণিপুরদদি রিছার্স সেন্টরশিং মতিক চানা লৈতবনা অতোপ্পা লৈবাক্কী রিছার্স সেন্টরশিংগী ঈ-পাউ ঙাইদুনা মতম লেনবা তাবনি। অথু-অকায় হায়বদু নংদ্রবনিনা অৱাবদা অৱাবা হাপচিনবা ওইনা থোকই। অদুনা তুংগী মীরোলগী অফবা পুন্সিগী লম্বী শেমহৌনবা লৈঙাকসু মীয়াম ঐখোয়সু কাবক শাবক লেন্থোক্লবা য়ারোইদৌরি।

কোভিদ-১৯গী শাথীনা অৱাবা চৈথেং ফংখ্রবা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম মতমগী ওইনা কোভিদ ১৯গা মরী লৈননা শেমখিবা এদভাইজরি/চৎন-কাঙলোনশিং অদু ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এব্ব্যের্নেস প্রোগ্রামনচিংবা অঙম্বা থাক্তা পাঙথোক্তুনা ইন্নবা হোৎনরবফাওবদা লুহোংফম, উৎসব তৌফম, কৈথেলশিং, লোইশঙশিং, ওটো-রিক্সো অমদি থৌদোক-ৱাথোক থোকফম্নচিংবদা কাঙ্খ থাঙ ওইনা লৈবা য়াওনরিবসিনি। অদুনা চিংনবা থাজদবা পোক্লকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হন্দক থাবল চোংবা অমসুং শুমাং লীলা ফাওবা থিংজিনখ্রে। শম্না হায়রবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থাক্তা কন্না হোৎনরবফাওবদা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা শেন্বা চৎন-কাঙলোন এদভাইজরিশিং অদু মীয়াম্না মপূং ফানা ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রি হায়বদুদি শং-শংনা উনরিবসিনি। অমরোমদা হংনীংলিবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী মতেংনচিংবা য়াওদনা য়াওশঙগী স্পোর্টসপু শিনবী-লাংবীগদৌরিবা লৈকায় ক্লবশিংগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শেন্বা চৎন-কাঙলোনশিং অদু য়েংশিন্নবা মতিক চানা থৌগায় পুবা ঙম্বা টাস্ক ফোর্সগুম্বা লৈরমগদ্রা অমসুং ফেস মাস্কনচিংবা উপ্পগা চেন চোংবা শান্নবদা নুংশা-শ্বর হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা অকায়বা পীরোইদ্রা হায়বনচিংবা অসিনি। অসুম অমুক খন্নরবদা জপানগা মণিপুরগদি চাংদম্নবদা সমুদ্রগা লাংখোংগা খেন্নবগুম্বনি। অদু ফাওবদা মালেমগী মীয়ামবু অমসুং মরু ওইনা শান্নরোয়শিংবু হেন্না লূম্না লৌবদগী টোকিও সম্মর ওলিম্পিক ২০২০ ফাওবা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি।

অদুনা অরোইবদা থমজরিবদি য়াওশঙ স্পোর্টসকা কোভিদ-১৯গী মরক্তা করম্বনা হেন্না লূমগনি হায়বদু লৈঙাক্লা মতম লৈরিঙৈদা নিংথিনা খল ওনবীরগা অনৌবা ফিরেপ অমুক্কা হন্না লৌবীদুনা মীয়ামগী মমাঙদা থন্বীবদুনি পামজরিবা অসি।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## লম্বীগী চিদাইদা দষ্টবিন ওইশিল্লকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

পিক্লবা ইরমদম অসিদা ঐখোয় মশেল অমনা অমবু হন্থনা য়েংনরকপা, অনীং-অনীংবা অপান্বা ৱাখলগী লিচিংনা লৈমিন-চামিন্নবদা খূৎমান্নরক্তবা, পূক্লিং পেন্নরক্তবা, য়েংলু-উরুবা খুদিংদা অৱাৎপা নুংঙাইতবা, থৌদোক ৱাথোক কয়ানা পূক্লিং লৈতাবা লৈহন্দবা য়াওনরকপনা হংনরক্লি কৈদৌঙৈনো ঐখোয়সি ঈংনা-চিক্লা অমুক্তং পানগদবা মতমদু? নোংমা কাংদনা থৌদোক অমদগী ৱাথোক অমা মথং-মথং থোক্লরকপনা লৈঙাক মপুসু মীচম মীয়ামসু অৱাবদা ইচেন চেন্নহনবা, লৈতাহন্দবা পূক্লিং ওইহল্লি হায়বদো লাল্লোইদ্রা খল্লি। ফৎত্রবা শাগী লমচৎ শাজৎ চৎলি হায়নরিবা মীওইনি। অদুবু শাহিং ঙাহিং চাবা ফৎত্রবা শাশিংদি ঙসিগী তাইবঙদা য়াম্না নুংশিনরে হায়নদ্রে, খৎনদ্রে, চিক্লদ্রে, লম্বী সরক্তা চৎলিবা শা-ষণ ফাওবা ৱাইনখিদ্রে, নুংশিননা লেক্লদুনা কুনমিন্নরে, উবদা তিন্নবা য়াদ্রবা হুই হৌদোং ফাওবা শান্নমিন্নরে। অদুবু মীওইবদি কদায়! শাদগী হেন্না শাথীবা জীব মখল অমা ওইনরি। মীনুংশি লৈনরক্ত্রে, নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে, অঙম অঙম্বা চানবা, মীগী মমিৎ কোৎথোক্লগা ঐঙোন্দা পানগে হায়বগী ৱাখল্লোন্না লাঞ্জদ্রবা মীওই কয়াবু ওৎপীরি, নৈবীরি। অদুবু মশাগী তুংগী লম্বীদদি করি ওইরক্কনি? মশানা থাকচবা লাংদা মশানা থুজবা হায়বা অমসু লৈরি, মানা তৌজরুবা থবক্তুগী মহয় তাইবঙ শেন্বা মপুনা পীরকপনি। অদুবু মখোয়গী মশাদা অচুম অরানগী লৈঙাক্কী ৱায়েল কাতি লৈরি হায়বদি নীংশিংনদ্রে। ঐ ঐনা তৌরিবা থবক্লা তুংগী ইচা ইশু কয়ানা ইতৌ তমহৌরগা ইরমসে করি ওইহৌগনি খন্দবা, তুংদা ঐখোয়গী ইতৌ তমহৌদুনা মখোয়গী পুন্সিনা ফৌহাম ওইদুনা, তেরা মফোন্না মালংগী শাহুমদা কোয়পাই পাইবগুম পাইহৌগদ্রা হায়বসি খন্থনবা চুন্নব্রা খঞ্জে। অদুগা ওইদ-পাদবগী চোইরোলগী মচুনা থম্মোয়দা হান্না শংখিবা, করম্বা মতমদনো কোক্লরক্কদবা? মসিদং মালেমদগী মুৎখ্রবদি খুন্নাইগী পূক্লিং ঈং-তপকনি খল্লি। অদুগা হৌজিক্কী মতমদা মী অমনা মী অমবু মীনুংশি য়াওদনা ৱাহৌ মচা অমগীসু অশাউবা ফাথবা ঙমদনা মীবু শা-ঙা হাৎপগুম হাৎনরি-শুনরি, অপাম অপাম্বা পাঙথোক্লরি, অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক্লা মীয়াম্বু ঈরাং হৌহল্লি, লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লি। অদুনা ৱাথোক কয়াসিনা তত্তনা তোইশিল্লক্লগা করম্নাপুক তপ্পী লমদম অমা ওইরক্কনি হায়বসি খনবদা ৱাদবা ঙমদে।

অমরোমদা থবক থৌরম থৌদাদসু মখল মথেলগী ইরাংসিনা থৌবাংবা ঙমদনা কোক শাবা য়াওরকপা হায়বসি মহৌশানি। অদুবু ইশাগী অপান্বদা চৎনরবা মতমসিনা কনাদনো ঐখোয়না ফৈ-ফত্তে, লাল্লি-চুম্মী হায়না ৱাতানদৌবা? মসিদা ঐ ঐগী পূক্লিং ৱাখল খরা ফাথনদুনা খন্থনরবদি মীশি মীনা থোকপগী পাউচে, টিভিদা তোয়না য়াওনরিবসি য়াওনরল্লোই খল্লি। অদুগা নাকল অমরোমদা লমতাগী চাওরবা য়াওশঙ কুস্মৈ থাদি য়ৌরক্লে হায়বা য়ারে। মসিদা চহী কুমজা খুদিংগী লৈশাবী মচাশিংনা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকচবা থাবল চোংবা হায়বদু শোয়দনা চোংনরক্লি, নুপা নুপীগী খঙনা খঙনদবা অহানবা নুপীগী খুদাং পায়দুনা চোংবা থাবলনি, নুপানা নুপীগী খুদাং পায়নীংই হায়দুনা তান চাদনা পংপায় পায়বা য়াদবা অমা চৎনবীগী পল অমনা খাখিবনা য়াওশঙগী থাবলদতনি নিংঙোলগী মখূৎ পায়দুনা চোংবা য়াহনবা কুস্মৈনি। পায়নীং পায়নীংবা মাগী মাগী শকখঙনজবা, শকখঙনদবা কয়ানা খুদাং পায়দুনা থাবল চোংনৈ অদুনা নুপীমচাশিংগী অসিগুম্বা থাবল চোংফম ওইজ রিবা অতৈ লম্পাক্লম মতেং লৌজরিবা আর দি এস, রাজা দুম্ব্রা হায় স্কুল ওইরম্বগী লম্পাকনি। অদুবু হৌজিক্তি লম্বীগী হেক চিদাই লম্পাকলোম থংবা শরুক্তা ৱাখল লৈতনা মীয়ামগী দষ্টবিন ওইনরি। লম্বী চৎপা, মনাক নকপদা দুকান ফম্বা, ৱার্কশোপ তৌজরিবা কয়াদদি নমথীবা অপূম অশা মনমনা লায়না পকপা য়ানা থবক শুফম খঙনদ্রি। মসি ইম্ফাল সহরগী ময়োলসু চিংলিবনি, কুম অমগী য়াওশঙ লাকপদা লৈশাবীশিংগী পূক্লিংদসু মনম অমদি পৈ-পৈদুনা অমোৎপা লৈরিবা 'লম্বী মতাইদা দষ্টবিন' ওইনরিবা অসি উরগা করম্না থাবল চোংগনি খনবদা পূক্লিংদা মীপাইরমগনি খল্লি। মরী লৈনবনসু মীৎয়েং অমুক্তং চংহন্নীংই। অদুনা কোয়লাস লম্বীগী মতাইদা দসবিন ওইরিবা অসিসু মীয়াম অমদি মরী লৈনবদা মফম চানা থমহন্নীংবগী অপান্বা ফোঙদোক্লরক্লি। ইশাগী ইরমদম্বু সহর ময়োন্দা ঐখোয়না মশক থিহনবা হায়বসি মায়দা লৈখোম তৈশিঞ্জবগা মান্নব্রা খল্লি। অদুনা হান্না যুখ্রবা তিঙ্খংবু হন্দোক্তনা থল্লগা ইশাদা নুংঙাইতবগুম ফত্তবা পুকচেল থাদোক্তুনা য়েক্তুনা লৈরিবমখৈ ঐখোয় মশেল নুংশি চান্নবা ওইরক্কনি থাজদে অদুনা ঐখোয়না অমগীসু অমগীসু মীনুংশি লৈনা হিংমিন্নবা, তাবদা নুংঙাইরোইদৌবা ৱাহৈ ৱাতা, কা হেনবা লোনচৎ শীজিন্নদনা চান্নবা, নুংশিননা লৈমিন্নরগতা ইরমদম ইংগনি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*


**IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE: IMPHAL EAST, MANIPUR**
**Original (Guardian) Suit No. of 2021**

Nongthongbam Raghumani Singh aged about 52 years old, s/o late N. Lukhoi singh and m/o late N. Khombi Devi of Poiroukhongjil Leikai, P.O.-Thoubal, P.S. Andro, District-Imphal East, Manipur-785149.
...Plaintiff.

-Versus -

Nongthongbam Manihar Singh aged about 58 years old s/o late N. Lukhoi Singh, m/o late N. Khombi Devi of Poiroukhongjil Leikai, P.O.- Thoubal, P.S. Andro, District-Imphal East, Manipur- at present Wangkhem Huidrom Leikai, P.O. Thoubal, P.S. Yairipok, District- Thoubal, Manipur- 785138 and 4 ors.
...Defendants

**SUMMONS**

To,
Any interested persons

WHEREAS the above-named plaintiff has instituted a petition under section 14 of the rights of persons and disabilities Act, 2016 for appointing/declaring him as legal guardian both in person and properties of, namely Shri Nongthongbam Jiten Singh aged about 32 years old, s/o late N. Lukhoi Singh, m/o late N. Khombi Devi of Poiroukhongjil Awang Leikai, P.O.- Thoubal, P.S. Andro, District- Imphal East, Manipur. So, you are directed to appear before the Hon'ble Court on the 23rd March, 2021 at 10:30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the material question relating to the petition and to file written objection, if any.

Take notice that in default of your appearance on the above mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this court this 15th day of March, 2021.

Sr. Sheristadar
District Court, Imphal East, Cheirap Court's Complex, Imphal, Manipur

HL-P/9318/16 & 17

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG**
**Ref :- Mutation Case No. 144/SDC/IW(H) of 2021**

1. Thokchom Biren Singh S/o Late Takeshore Singh
2. Th. Gopi Singh S/o -do-
3. Th. Sobhas Singh S/o -do- of Meitram

-Vs-

Late Thokchom Takeshore Singh S/o Late Rabei Singh of Meitram

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 15/3/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 3-Meitram পাট্টা নং 54 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 353 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.30 acres চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি ৩ অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 22/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

HL-P/9321/16 *Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang*

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**
**Ref :- Mutation Case No. 172/AS&SO Dt. 8/03/2021**

1. Moirangthem Gandhi Singh @ Surchandra Singh S/o Dhananjoy Singh of Kakching Wairi Sabal Leikai.
2. Moirangthem Bimol Singh S/o Dhananjoy Singh of Kakching Wairi Sabal Leikai.

-Vrs-

Mayanglambam Sohodeva Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৬২-ককচীং ৱাইরি পাট্টা নং ৫০১/৬৯৩ অনৌবা দাগ নং ৩৩৯৭ এরিয়া .২৪ হেক্তর ইংখোল অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম সহদেব সিংহ পী: গুলাপ সিংহ সাং ককচীং ৱাইরি সাবল লৈকাই অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

HL-B/6857/16 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III MANIPUR**
**Ref :- Mutation Case No. 84/AS & SO/III Date 15/03/2021**

1. Wangkheirakpam Dhananda Devi D/o (Late) W. Kanhai Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai.
2. Wangkheirakpam Prachoda Devi D/o (L) -do- of -do-
3. Wangkheirakpam Chaoba Devi D/o (L) -do- of -do-
4. Wangkheirakpam Ongbi Nongmaithem Shantibala Devi W/o (L) W. Sanajaoba Singh of Khurai Thoidingjam Leikai.
5. Wangkheirakpam Mema Devi D/o (L) Kanhai Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai.
6. Wangkheirakpam Bobi Meitei S/o (L) -do- of -do-
7. Wangkheirakpam Jin Meitei S/o (L) -do- of -do-
8. Wangkheirakpam Romi Devi D/o (L) -do- of -do-

- Petitioners

-Vrs-

Wangkheirakpam Kanhai Singh S/o (L) Angouton Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai, Imphal East.

- O.P

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal 15/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৬-ৱাংখৈরাকপম লৈকাই পাট্টা নং ৯ অরিবা ১৫৭ অনৌবা দাগ নং ১১৬ এরিয়া .৩৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Wangkheirakpam Kanhai Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৪/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer, III Manipur

HL-P/9322/16

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG**
**Ref :- Mutation Case No. 143/SDC/IW(H)2021**

1. Chongtham Suraj Meitei,
2. Chongtham Basanta Meetei,
3. Chongtham Hemanta, all are S/o Ch. Sunil Meitei of Ningombam Awang Leikai (0.05 acre from Dag No. 389 & 0.005 acre from Dag No. 352)
4. Chongtham Redia Devi,
5. Chongtham Ranibala Devi, Both are D/o Chongtham Inaocha Singh of Ningombam Awang Leikai (0.035 acre from Dag No. 389 & 0.005 acre from Dag No. 352)
6. Chongtham Abung Meitei S/o Ch. Ingocha Meitei of Ningombam Awang Leikai,
7. Chongtham Lembi Chanu D/o Ch. Abung Meitei of Ningombam Awang Leikai, (0.03 acre from Dag No. 389 & 0.005 acre from Dag No. 352)
8. Chongtham Ingobi S/o Ch. Ingocha of Ningombam Awang Leikai (0.35 acre from Dag No. 389 & 0.005 acre from Dag No. 352)

-Vs-

Chongtham Ibomcha Singh S/o Late Tomba Singh of Ningombam Awang Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 12th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা নং 138 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 352 & 389 গী এরিয়া 0.02 acre (Phourel) & 0.14 acre (Ingkhol) একর/হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল/লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 22/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang**

HL-P/9317/16